# এল এম এফ এ হৈরোক অমদি কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রি ইরিল মপাল মায় পাকখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ঃ*

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ঙরাংদগী ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা টিম ২৯ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ৫৭ শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সি এস আই, সি বি ঈ মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এল এম এফ এ হৈরোক অমদি কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রি ইরিল মপাল মায় পাকখ্রে।

নোক আউট বেসিস্তা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অহানবা শান্নখিবা মেটচতা এল এম এফ এ হৈরোক্লা য়ু বি এস এ মন্তকপু গোল ৩–২ দা মায়থীবা পীখ্রে। এল এম এফ এনা মথংগী রাউন্দদা নিসা থাংমৈবন্দগা তাং ২১ গী অয়ুক পুং ১১.৩০ দা শান্নগনি।

এল এম এফ এগী গোলশিং অদু কে ঐচ কৃষ্ণানন্দনা এল রোমেসকী পাস্তা ১৭ অমদি ৬৭ শুবা মিনিটতা গোল ২ অমদি এল রোমেসনা ৩২ শুবা মিনিটতা অমা চনখিবনি। য়ু বি এস এগী গোল ২ অদুনা রিথা অমদি অগষ্টিন মোঙশাংনা ২ শুবা অমসুং ৫২ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী ৭৩ শুবা মিনিটতা এল রোমেস্তা রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি।



কে আই ৱাই সিনা গোল এটেম্প তৌখিবা বোল অমা কে এস সিগী গোলকিপরনা ফান্নবা হোৎনখিবা।

অনীশুবা শান্নখিবা মেটচতা কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রি ইরিল মপালনা কে এস সি লম্বুলেনবু গোল ২–০ দা মায়থীবা পীরগা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে। য়ু এস এ খুরাইগা তাং ২১গী নুংথিল পুং ১.৩০ দা থেংনরগনি। কে আই ৱাই সিগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু অকবর খান্দনা ২৩ শুবা মিনিটতা গান্ধী পামৈগী পাস্তা অমা অমদি এম রোমি মৈতৈনা ৭৪ শুবা মিনিটতা অকবর খান্দগী পাস্তা অমা চনখিবনি। অহানবা হাল্ফকী মতম লোয়বা ফাওবদা কে আই ৱাই সিনা গোল ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

**57TH CC MEET FOOTBALL**

ঙরাং শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ৱাই দি ও হৈনৌখোংনেম্বীনা এফ সি খঙলাই সদর হিলসপু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীখ্রে। ৱাই দি ওগী গো অনী অদু ও রোসন সিংহ অমদি এন ওলেন সিংহনা ১৪ অমসুং ৪৫ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। এফ সি খঙলাইগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এদিস্নেল টাইমগী ৩ শুবা মিনিট (৯৩) দা লিনমিম্থাং তৌথাংনা চনখিবনি।

হয়েংগী অহানবা মেটচ অয়ুক্কী পুং ১১.৩০ দা সিটিজন্স ক্লব সোইবম লৈকাইগা ক্লাসা কৈনৌগা, অনীশুবা মেটচনা নুংথিলগী পুং ১.৩০ দা উপা ক্যাম্পগেগা এম এফ সি মোরেগা শান্নগনি।

# ২০ শুবা নেস্নেল থাঙ–টা চেম্পিয়নসিপকী অহানবা গোল্ড মণিপুরগী এ জিমি সিংহনা লৌখ্রে

THANG - TA

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ঃ*

থাঙ–টা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মিৎয়েং মখাদা হুইয়েন লাংলোন থাঙ–টা এসোসিয়েসন মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসিদগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ষ্টেট ১৭ তগী লাকপা শান্নরোই ৪৯৭ না শরুক য়াদুনা ২০ শুবা নেস্নেল থাঙ–টা চেম্পিয়নসিপ হৌখিবগা লোয়ননা অহানবা গোল্ড মেদল মণিপুরগী এ জিমি সিংহনা সব জুনিয়র বোইজকী কে জি ২৫ মখাগী ফুন্নবা অনীশুবা ইভেন্টতা লৌখ্রে। সিলভরনা জম্মু এণ্ড কাস্মীরগী সহিদ নিসারনা লৌখ্রে।



ইভেন্ট ৫ দা পাঙথোক্কদবা চেম্পিয়নসিপ হৌদোকপগী থৌরমদা এসিয়ান থাঙ–টা ফেদরেসনগী মেম্বর তুৱাবিন হসিম, হুইয়েন লাংলোন থাঙ–টা এসোসিয়েসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ঐচ প্রেমকুমার সিংহ, পদ্মশ্রী সিন্তাক পুরেল আর কে অচৌবী সিংহ অমদি ইষ্টর্ন কলা বিদ্যা থাঙ–টা এসোসিয়েসন নোংমৈবুংগী প্রিন্সিপাল সিন্তাক পুরেল কে ঐচ দবল্লো খাবা অমদি শিঙ্গাপুর থাঙ–টা ফেদরেসনগী ট্রেজরর মোহমদ য়াসরিন বিননা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। পাঙথোক্কদবা ইভেন্টশিং অদুদি ফুন্নবা অমা, অনীশুবা, খোংলোন খুৎলোন, থাঙ হাইবা অমদি টারোলনি।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়ারিবা ষ্টেটশিং অদুদি য়ুম্থু মণিপুর, অসাম, নাগালেন্দ, ট্রিপুরা, উত্তর প্রদেশ, দিল্লি, হরিয়ানা, জম্মু এণ্ড কাস্মীর, পঞ্জাব, চান্দিগড়, মধ্য প্রদেশ, মহারাষ্ট্রা, টামিল নাদু, পোন্দিচরি, অন্ধ্র প্রদেশ, বিহার অমদি গুজরাটনি।

ঙসি শান্নখিবা সব জুনিয়র গার্লস কে জি ২৫ গী ফুন্নবা অমা ইভেন্টতা গুজরাটকী কৈনাৎ অমদি মণিপুরগী এ হেমবতি দেবী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। ইভেন্ট অসিমক্কী কে জি ২৯ গীদা মণিপুরগী আর কে তাপিসনাসু সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

সব জুনিয়র বোইজ কে জি ২৯ গী ফুন্নবা অনীশুবা ইভেন্টতা মহারাষ্ট্রগী সুবম স্যানেশ্বর পৱার অমসুং জম্মু এণ্ড কাস্মীরগী ইশা মহেউদ্দিন সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী মনুংদা ইন্টরনেস্নেলগী ওইবা থাঙ–টা রেফ্রি সেমিনার অমদি কোটচসেস কোর্সসু পাঙথোক্কনি। কোর্স অসিদা সিঙ্গাপুর, শ্রীলঙ্কা, নেপাল অমদি য়ুম্থু ইন্দিয়াগী কোটচসেস অমদি রেফ্রিশিংনা শরুক য়াগনি।

## ঙসিদগী ষ্টেট ওপন টেনিস হৌরগনি

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ঃ*

মণিপুর টেনিস এসোসিয়েসননা শিন্দুনা হয়েং অয়ুক্কী পুং ৭.৪৫ তাবা মতমদা ওফিসার ক্লব লম্ফেলপাৎকী টেন্নিস কোর্টতা ৩৩ শুবা ষ্টেট ওপন টেন্নিস চেম্পিয়নসিপ ২০১৩ হৌরগনি। চেম্পিয়নসিপ অসি মণিপুর টেনিস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট টি পানমৈনা হৌদোক্কনি।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা চহী ১০, ১২, ১৪ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী সিঙ্গলস, মেন্স ওপন সিঙ্গলস, ৱুমেন্স সিঙ্গলস, চহী ৪৫ অমদি ৫৫ মথক্কী ভেটরান দবলসকী মেটচশিং শান্নগনি।

## দেবলা ট্রোফি ক্রিকেট হৌরগনি

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ঃ*

ব্লুমিং এথলেটিক্স এণ্ড স্পোর্টস য়ুনিয়ন (বাসু) খাঙবোক্লা চহী খুদিংগী শিন্দুনা লাক্লিবা ষ্টেট লেভেল ওপন দেবলা মেমোরিয়েল ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ১৭ শুবা ইডিসন লাক্লিবা জনুৱারিগী তাং ৫ দগী বাসু গ্রাউন্দদা হৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা টিমশিংনা বাসু ওফিস্তগী এন্ট্রি ফোর্ম লৌরবা য়াগনি। থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম ওইগনি। অকুপ্পা মরোল ওফিস অসিদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

## খো–খো সেনিয়র ট্রায়েল পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ঃ*

গৱাগী ভাস্কোদা মথং চহীগী জনুৱারি তাং ১২ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪৭ শুবা সেনিয়র নেস্নেল মেন্স এণ্ড ৱুমেন্স খো–খো চেম্পিয়নসিপ ২০১৩–১৪ দা শরুক য়ান্নবা মণিপুর টিম শেম্নবগী ট্রায়েল সেলেক্সন অমা মণিপুর এমেচর খো–খো এসোসিয়েসননা শিন্দুনা থা অসিগী ২৪ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা পাঙথোক্লগনি।

ট্রায়েল অসিদা শরুক য়ান্নবা শান্নরোইশিংনা মখোয় মখোয়গী এফিলিয়েটেদ য়ুনিটশিংগী অয়াবা য়াওরক্কদবনি হায়না মণিপুর এমেচর খো–খো এসোসিয়েসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি ঐচ কোইরেং অমসুং কোটচ কে ঐচ ইমো সিংহদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরি এম মধুসুদন সিংহনা প্রেস্তা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# অপুনবা নহারোল য়াইফ থৌশিল কাংলুপ্না ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে


টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রবা অপুনবা নহারোল য়াইফা থৌশিল কাংলুপকী টিম্না এম এল এ সুরচন্দ্রদগী ট্রোফি লৌখিবা।

CANOEING & KAYAKING

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ঃ*

অপুনবা নহারোল য়াইফ থৌশিং কাংলুপ (এ এন ৱাই টি কে) ললাম্বুং মখোংনা গোল্ড ৩৫ ফংলগা পুন্না পোইন্ট ১৭৫ ফংদুনা ৪ শুবা ষ্টেট লেভেল কেনোয়িং এণ্ড কয়াকিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৩ গী ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে। রন্নর্স অপনা সেন্দ্রা য়ুথ ক্লব (এস ৱাই সি) সেন্দ্রানা গোল্ড ২৬ ফংলগা অপুনবা পোইন্ট ১৩০ ফংলগা তাখি।

ওল মণিপুর কেনোয়িং এণ্ড কয়াকিং এসোসিয়েসননা শিন্দুনা হৌখিবা থা অসিগী ১৪ দগী কংলা মোটতা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নসিপ অসি ঙরাং লোয়শিনখি। ইভেন্ট ৬২ দা টিম ৪ গী পেদল্লরশিংনা শরুক য়াখিবা চেম্পিয়নসিপ অসিদগী শান্নরোই ৪০ খনগৎকনি। খনগৎলবা শান্নরোইশিংনা ভোপালদা মথং চহীগী জনুৱারি ১৪ দগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৪ শুবা নেস্নেল কেনো স্প্রিন্ট চেম্পিয়নসিপ্তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগনি।

চেম্পিয়নসিপ লোয়শিনবগী থৌরমদা মিনিষ্টর ডাঃ কে ঐচ রতনকুমার সিংহ, য়াস অমদি টুরিজমগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি এম পৃথিবীরাজ সিংহ, এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্রা, এক্স মিনিষ্টর রাধা কিশ্বর সিংহ অমদি এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট জোনি ৱাইখোম্না চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

## জাদোনাং ফুটবোলগী ৱিন্নর ওইখিবা গুফা টিম ওকখ্রে

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ঃ*

৯ শুবা জাদোনাং মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩ গী ৱিন্নর ওইখিবা গাইপুনাম য়ুনাইটেদ ফুটবোল এসোসিয়েসন (গুফা) টিম্বু হরাও তরাম্না ওকপগী অচম্বা থৌরম অমা গাইপুনাম ভিলেজতা গাইপুনাম ভিলেজ ওথোরিটিনা শিন্দুনা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম, হিলস এরিয়া কম্মীটিগী ভাইস চীয়ারমেন অমসুং টামৈ কেন্দ্রগী এম এল জেট খিখোনবৌ ন্যুমাই অমদি ৱাঙ্খৈ কেন্দ্রগী এম এল এ ৱাই ইরাবোত সিংহনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

চহী অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রবা গাইপুনাম য়ুনাইটেদ ফুটবোল এসোসিয়েসননা বেষ্ট প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্ট, হায়েস স্কোরর, বেষ্ট কোটচ, বেষ্ট গোলকিপর অমদি বেষ্ট দিফেন্দরগী মনা কয়াসু ফংবা ঙমখি। হৌখিবা চহী ২০০৯ দা রন্নর্স অপ, ২০০৭ দা ৱিন্নর ওইখিবগা লোয়ননা হায়েস স্কোররগী মনা ফংখি। ইং ২০০৫ তা অহুমশুবা পোজিসন, ইং ২০০৩ দা ৱিন্নর ওইখিবগা লোয়ননা বেষ্ট প্লেয়রগী মনাসু ফংখি। ইং ২০০০ দা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। ইং ১৯৯৬ তা বেষ্ট গোলকিপরগী মনা লৌখিবা টিমনি।

# অহানবা পালমৈপুই কমাউপী মেমোরিয়েল জেলিয়ারোং ফুটবোল টুর্নামেন্ট

FOOTBALL

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ঃ*

শওম্বুং সাইরেম য়ুথ ক্লব ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহানবা পালমৈপুই কমাউপি মেমোরিয়েল জেলিয়ারোং সিক্স এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা দুইগাইপাংজাং, সাইরেম, নমগুইলোং অমদি খৌপুম মায় পাকখ্রে।

অহানবা শান্নখিবা মেটচতা দুইগাইপাংজাংনা নমথানলোংবু গোল ৮–২ দা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে। দুইগাইপাংজাংগী গোলশিং অদু বোতোনা ৬, ৮ অমদি ১০ শুবা মিনিটতা গোল ৩, মৈজিংলোংনা ১৩ অমদি ১৫ শুবা মিনিটতা গোল ২, মকুলোংনা ৩ অমদি ৯ শুবা মিনিটতা গোল ২ অমদি বেঞ্জামিননা ৫ শুবা মিনিটতা গোল অমা চনখি। নমথানলোংগী গোল ২ অদুনা বেঞ্জামিন অমসুং থেংঙাইনা ২৪ অমদি ৩৪ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অনীশুবা মেটচতা সাইরেম্না শওম্বুং নমদাইবু গোল১–০ দা মায়থীবা পীখ্রে। সাইরেমগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু রম্বো পালমৈনা ৩৬ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অহুমশুবা মেটচতা নমগুইলোংনা চোংখুতৌরোংবু গোল ১০–১ দা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে। নমগুইলোংগী গোলশিং অদু খৃষ্টোফরনা ১৪, ১৮, ৩৪, ৩৫ অমদি ৩৯ শুবা মিনিটতা গোল ৫, পাওলিনমৈনা ৩২ অমদি ৩৭ শুবা মিনিটতা গোল ২, জি গোলমৈ, ৱিল্লিয়ম অমদি গাইবুংইলুংনা মথংশিংনা ১৩, ১৮ অমসুং ২৫ শুবা মিনিটতা অমমম চনখি। চোংখুতৌরোংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ইরাইপুনা ৩৬ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

মরিশুবা শান্নখিবা মেটচতা খৌপুম্না হৈক্রুজম্বু গোল ৩–০ দা মায়থীবা পীখি। খৌপুমগী গোলশিং অদু চুংমৈনা ৭ অমদি ৩৯ শুবা মিনিটতা গোল ২ অমসুং অখমনা ৩৫ শুবা মিনিটতা ১ চনখিবনি।

ঙরাং শান্নখিবা মেটচশিংদা দি এফ এ শওম্বুংনা জে য়ু সুপর ষ্টারপু গোল ৮–০ দা, পাউনিং তৌরোংনা হৈক্রুজম্বু গোল ৪–২দা, কাখুলোংনা খৌপুম্বু গোল ৭–০ দা মায়থীবা পীখি। নমদুনলোং অমদি নমগুইলোং গোল ৩–৩ দা দ্রো চৎখ্রে।




ꯃꯤꯂꯦꯅꯤꯌꯝ ꯏꯟꯁ꯭ꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯠ ꯑꯣꯐ ꯁꯥꯏꯟꯁꯦꯁ

Millennium Institute of Sciences

*Presents for the first time*

MILLENNIUM SCHOOL

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- ✓ Home away from home for day care
- ✓ Hygienic mid day meal for day care
- ✓ Audio Visual Classrooms
- ✓ Play-way method of teaching system
- ✓ Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- ✓ Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

*Form available from 7th November 2013*

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.

& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.

SL/29/19/B

Published by Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490

*e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*